## রারী মচা

# মেমথোইবী

**লাইতোনজম প্রেমচান্দ**

মওন-মওন খন্দুনা মথন্তা তুমিন্না ফন্নী মেমথোইবী। খল্লি ৱাখল কয়া – মাঙগী, হৌজিক্কী অমসুং তুংগী। মখোয়গীদমক হোৎনবদা মমা লুখ্রাবীনা কয়াদা ৱাজরিবা। য়ুম পানবগী মতম হেনখিগদৌরবী মঙোন্দা নোংমা মমানা হঙখি।

"ইবেম্মা নঙবু খঙন-চান্নবকা অমত্তা লৈতত্রা? লৈরবদি ঐখোয়গীদমক করিসু খল্লুগনু। চাউনা ঙমদ্রবদু পাঙন-শান্নবা পাঙথোকখ্রগা লোয়রে। ঐখোয়না লৈরিবা ফিভম অসিদা হায়ন-শিংনবদি কনাবু লাকপীগনি?"

"ইমা, ঐ য়ুম পাল্লরোই। ইপৱা অহুমসি মী ওইনবা শেম্নিংঙি। হয়েং ইমা লৈত্রগা মখোয়বু কনানা য়েংবীগনি?"

"অদুম হায়নু, নুপা ঙাক্তনি, মখোয়না থোকপা তৌজখিগনি। মতম হেন্দোকখিদরা হায়দুনা নহাক্কীদমক ইমা য়াম্না ৱায়।"

লৌনম চাওবা মহাক্না থাজবা পুম্বা মাঙহল্লমদুনা পুন্সিগী কাউঙম্লরোইদবা চৈনাখোল অমা পীরম্লগা অদুমদি মেমথোইবী মমাদা অদুম্মক হায়দোকখিদ্রে।

নোংমা সবীতানা মঙোন্দা হায়খি – "হিংবগী দাবী, ইজৎকী দাবী। ইজৎকী দাবিদগী হিংন্নবগী দাবিনা হেন্না লুই। নঙসু খল্লু, হিংন্নবগী লানফমদা মায় পাক্ত্রবা মীওই অমনা করম্না মশাগী ইজৎ ঙাকপা ঙমগনি? মতমসিদবু তোল্ল-তারবা উপাই লৈজদ্রবশিংবু থৌজানবীবা-য়োকখৎপীবা কনা লৈরিবগে? মেমথোই, নাক-য়েৎ কোয়না য়েংলগা, ৱাখল কয়া খল্লবা তুংদা, ঐহাক ৱারেপ অসি লৌখিবনি। ঐ ইপুরোইববু নুংশি। মহাক্না ৱাবসি ঐ য়েংবা ঙমদে মেমথোই ...।"

সবীতানা হায়খিবদু মেমথোইবী মতমদুদা য়ানিংখিদে। লুনা তিন্নদুনা হৌমিন-কামিন্নরকপী সতীবাবু মপুরোইবা লৈন-লৈনা অদুগুম্বা পাপকী লম্বী অদুদা খোঙ থাংজিলহন্নিংখিদে। অদুবু ঙসিদি সবীতাগী ৱাহৈশিংদুনা তম্নলাই শাদুনা মঙোন্দা ওৎলরে।

মেমথোইবীগী থংনবা মৌপৱাদু গ্রেজুয়েৎ পোষ্ট অমগী ইন্তরভিয়ু য়াওখি। ইমুংগী ওইরিবা ফিভম অদুদা মৌপৱা নুপাদু থবক্তু য়াম্না তৌজনিংই। মচেনসু তৌহন্নিংই। মমানসু তৌহন্নিংই। অদুবু সরকারগী থবক অমা ফংনবগীদমক মখোয়গী করি শক্তিদি লৈরি? লুখ্রাবী মমানা কৈথেলদা ইন্সাং-নাপী য়োন্দুনা চারাদং হেন্দনবা হোৎনরিবা ইমুংনি।

মেমথোইবীনা খ্বাঙদা ফি-রোল খরা শাদুনা মতেং খরা পাংদুনা মৌপৱাশিংবু লাইরিক-লাইশু খরা তমহনবা ঙম্বগী ৱানি। লৈজরিবা সম্পতি হায়বু পীক্লবা ইংখোলদুগা ক্কাক মখোঙ পুথরবা য়ুম অদুগতনি।

মেমথোইবী মশানা-মশাবু কাউথোকখ্রবগুম তৌরকই। অমুকসু মশানা মশাবু হেন্না খঙজরকপগুম্লকই। তপ্ন-তপ্না মীৎলু পিরাং ঈহৌরকই। থম্মোয়দু ইনৌ-নৌরকই। হায়খিবনি মঙোন্দা "নহাক্কী নরল লৈবিনি"। কয়াদা হরাউখিবা মতমদুদা মেমথোইবী। পঙথখি লৌনম চাওবদুগী চিরোলদুদা। শিন্নখি মশাগী মরল।

অসুম খঞ্জিন্দুনা মকোক্তু চিক-চিক লাওরকই। হেন্না খঞ্জিল্লকই, মীমান্নবা ঙমজদ্রবা মনিং থুংজদ্রবা মৌপৱাশিং মখোয়গী কঙাওনরিবা পুন্সি। নৌথোকলুরবা থম্মোয়দু তপ্ন-তপ্না অমুক কনশিল্লকই।

তপ্না চঙশিন্দুনা মশা চনবা মিংশেল মমাঙদা লেপ্লুই। অদুগা মশাগী ফিভম মুর্ত্তিবু কোক্তগী তোন ফাওবা য়েংথরুই। মিংশেলদা তারিবা মমিদুনা মঙোন্দা হায়রকপগুম তৌরকই-

"মেমথোইবী হৌজকপু করি অমুক খল্লীবগে? নখোয় ইমুংগী উপায় অমখক্তনি হৌজিক লৈরিবসি। নহাক্লম্বী অমনা সমাজবু করিগীদমক অমুক কীরিবা? সমাজসিনা নখোয়গীদমক করম্বা লাইবক লেপ্পিরক্কদৌরিবা? নশাগী লাইবক নশানা শেমজবা তাই। নশাগী শক্তমসি উরেদনা? হৌজিকপু নঙবু কনানা নরল লৈতে হায়গদৌরিবনো।"

মেমথোইবী মমীৎ উইশিল্লি। অমুক উরকই লৌনম চাওবদু য়েক্লবদু। মশাগী মরলদুদা নুংশিবা শাদুনা লাকখিবনি। অদুবু য়েক্লবনি। য়েক্লবা ওইনা অদুম হনখি। মদুদা কৈদৌবা ঙমখি? কপচবা নত্তনা কৈসু তৌবা ঙমখিদে অদুবু হৌজিক্তী কপ্পগী মতম নত্তে। ৱারৌবগী নিঙমদবগী মতমদু হৌখ্রে।

নুংশিদনা নুংশি শাশিন্নবগী, ওইজবা থিবগী পরা অমদি য়েক্লবদুনা তম্বীরম্লে। মেমথোইবী মমীৎ অমুক পাঙথোকই। মশাগী মমিবু মীৎ কুপ্তনা য়েংই। মাঙলুরে ৱাজরুবা মরল মশাদা অদুম লৈজরম্মী। অমুক করিগী ৱারুগনি! মোমোন নোকই, অদুঙৈ মশাগী মমি য়েংজরগা নোকচবগুম। মশাগী মরলদা, মশাগী ফজবদা নোকচবগুম।

হেন্না ফবা কোক্কি লৈতেং অমা ফংগদবা লৈরবদি শম কক্তুনা য়োনবদা করিবু কায়বগে? শম কক্তুনা য়োন্নবগীদমক্তদি সবীতা লৈরী। মাগা তান্নবা তাই।

মথংগী অয়ুক্তা সবীতাগা উনরুই। মৌপৱা নুপানা ইন্তরভিয়ু য়াওরুরিবা দিপার্টমেন্টতুগী কম্মিস্নারদু সবীতাগসু খঙনৈ হায়। তাঞ্জা য়াম্না চারে, কম্মিস্নার সাহেবতু ওইগী লমদাং ওইবীদা পঙথগল্লি তাকপীরকই। সবীতানা ফন্নবা লোয়না শিনবিরক্কনি হায়নসু হায়রকই।

সবীতানা শীন্দুনা কম্মিস্নার সাহেবকা মেমথোইবীগা উন্নখি। অমুকখক্তা নত্তে। চীং-লেম্লবা কম্মিস্নার সাহেবনা মেমথোইবীদা তাকপী – "নহাক্কী নৌপৱাগী থবক শোয়দ্রে লৌরো। মদুতা নত্তে, ঐনা হেক ঙল্লিবমখৈ নহাক্কী অপাম্বা খুদিংমক পীগনি ঐগী অপাম্বসু নহাক্না পীয়ু"।

কম্মিস্নার সাহেবতু মচিন থীদে। ইন্তরভিয়ু হায়দোক্লদুনা মৌপৱাদু থবক কাবা হৌরে।

মেমথোইবী মঙাল নাইরকই। সঙ্গ চাওরকই।

চঙশিন্দ্রিঙৈনা চঙশিন্দ্রিঙৈনী। চঙশিল্লুরবদগীদি হন্দোকনীংদ্রে। নুঙাইরবা য়ুম, মরাং কায়রবা সম্পত্তি অনৌবা মঙ কয়া মঙবা হৌরকই। কম্মিস্নারগা তান-তান্দুনা অতৈ অতোপ্পশিং থবক হাপ্পা হৌরকই – মস্তর রোলদা, কেজুয়েলদা, রিগুলরদা। ত্রান্সফরগী হাবিজাবিদসু য়াওই। পাউচেশিংদা কম্মিস্নার সাহেবপু নৈনবা হৌরক্লবসু মেমথোইবীগী খোইরুম-মোমোন অমদা ইপঙ পঙথৈ কম্মিস্নার সাহেব। ৱানোম্বা মী লাকপা লেপ্তে মেমথোইবীগীদা। ওইসু ওইরোইদবা থবক্কীদমকসু পৈশাতবু মীকাবদগী লুপা-মপুন-মপুন লৌশিনবসু হৈনরকই।

অকা অকুম নাইবা মীওইবনি। কাবা হৈরবদি কুম্বসু হৈবা তাই। অদুবু কুম্বগী ৱাফমসিমদি মেমথোইবী খলহৌদে। হেন্না ৱাংনা কারগা কুম্বদা হেন্না লুই হায়বসিসু কাউথোক্লুই।

কুম্বগী মতাং লাক্লে মেমথোইবী। তত্তনা চাদুনা লাকপা ইন্সাংগী মহাউ ওক্লদুনা অনৌবা মহাও অমা তংনিংলকপা মতাংদুদা মঙোন্দগী হেন্না শকহেল্লবী অমগা থেংনখরে কম্মিস্নার সাহেব মেমথোইবীগা উন্নবগী খুদোংচাবা পীখিদ্রে।

হৌজিক মেমথোইবীদা তারিবা দষা অসি থবক হাপ্পিয়ু হায়দুনা শেল পীবা লাকপগী মহুত্তা ঙমদ্রবনিনা শেল হন্দোক্লো হায়বা ঙাক্তনি। মমাঙদা ফংখিবা পৈশাশিংদুসু য়ুম শেম্বদা, অরু-অহেনগী পোৎ লৈবদা অতৈ –অতৈ শীজিন্নবদা লোয়না চঙখি। খরা অমনা কম্মিস্নারগী খুত্তা লৈখি মীদা, য়েংল-য়েংগগা এক্তিং তৌবা হৌরকই মেমথোইবীঃ খরা শোনবদনা শাওশিল্লি। শাওনা লাকপদনা শিথশল্লি। মীঙোন্দগী চাম্মদা তরা কারগা পুদুনা মেমথোইবীদা পীখিবা নহাদুনা মেমথোইবীগী য়ুমদা কুপ্লিবা জিংঘশিংদু ফক্লগনি হায়রকপা মতাংদুদা মেমথোইবীনা খুম্মী –

"শীংজমৈদগী কেরানি অমা কেনসরনা নাদুনা লৈবা কুইরে। মহাক হেক শিবগা ওফিসিয়েতীংদা হাপ্পবা শোয়দনা তৌরগে।"

## তাবুনুংদগী

*(ঙসিদগী চহী ৮৪ গী মমাঙদা মণিপুরদা ডাঃ নিংথৌজম লৈরেননা এদিটর ওইদুনা "য়াকাইরোল" কৌবা থাগী চেফোঙ অমা ফোঙলম্মী। চেফোঙ অদুদা মতম অদুগী থৌদোক ৱাথোক, রাজনিতি, শেল-থুম, সমাজগা মরীলৈনবা ৱারেং অমদি ই-পাউ কয়া মরিকুপ্না ফোঙলম্মী। চেফোঙ অদুগী খৃষ্টকুম ১৯৩২ গী মে থাগী চেফোঙদা য়াওবা "মখুল মখা অয়াম্বা" হায়বা পাউশিংগী খোমজিনবা কলম অমদা ফোঙবা পাউ অমা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### শ্রীরজনিগী অৱাবা

সাং ইম্ফাল লাইফম খুনৌদ শ্রীরজণী কৌবী নুপী মচা অমন ৱারিবা অসি উবদা মমিত্ত মপি তারোইদবা মী লৈরেই। নুপীমচা অসি অহানবদা ময়ুম পানদুনা মচা পোকই। অদুদগী খাইনবগী মওং ওইন লৈরগ মনুং অদুদ মচা অমগা পোকই। হান্নগী নুপা অদুনা মচানি হাইনা য়াবিদ্রে। নুপী অদুনা মপানি হাইনা হাসন নুপা অমা পিঁজে। অদুসু য়াবিদরে। মরম অদুন অঙাংদুগী য়ুমশেংবনচিংবা জাতি কর্ম্ম তৌদনা লৈরে। লৈকাইগী মী পুন্নমক মপা মমা ফাওবা মাংই শেংইগী প্রতিধবনি কিবন কনা অমত চংদুনা তিন্নবিদরে। নুপীমচা অদুনা ইংখোল লমহাং অদুদ খাংপোক ১ খল্লদুনা অকী অখংগী মরক্ত কপ লাওদুন মতম লেল্লি। মী পুন্নমক উরবসু উশিন্নদে তারবু তাশিন্নদে।

হে প্রজা অপুন্বা মাসিদা ঐখোইনা হাসজনিংবা অমা লৈ অঙাংগী মপা অনী আইনন পুথোকতুনা পিবা ঙম্বা পোৎ নত্তে। মাসিদি ধর্ম্মগী মথক্তা পুথোকচগদবনি। নুপা অসিবু মীতৈগী চংনবীদগী কয়া য়াম্না মপাল থোকন চৎলূরবগে। চৎতবা থোক্লবদি মাবুতদি অতাতাই ওইনা অসুপ থিন লাকনবিয়িবসি করি মরম্ননো? মপা ওইগদৌরিব অদুন চেল্লবসু, নুপী অদুনা ধর্ম্মগী মথক্তা পিজরিবা পোত্র অদুদ তিন্দুন মতিক চাবা ব্রাহ্মণ অমন শোনবিরগ অঙাং অদুগী জাৎকর্ম্ম তৌথোকপিদুনা শেংদোকপিবদ করি কিফম লৈবগে? হে লাইরবা ওম্হোকনা তোল্লিদ। হৌজিক্তি অঙাং অদু শিখরে।

## মণিপুরী পাৎছে পাওরৌ পাওতাক

**৭০. অকিবগা নুংশিনবগা পুন্না লৈমিন্নবা ৱায়।**
– মোৎ তিন্নদবা অনী কুইনা পুনবা য়াদে।

**৭১. অকে-অমৌ শেম্বা লৈশি- লৈথোন্না ঙাঙবদি নুপী ওইবীশিংগী মগুণনি।**
– ইং-তপ্পা ফজবা ফিজোল শেৎপা ৱাঙাঙ ৱাতা নুংশিবা নুপীশিংগী লৈতেংনি।

**৭২. অকোক শা, হিয়াঙ অথৌবগুম্বনি।**
– ৱাখল য়াওদবা শাগুম্বা মী, মীনুংশি লৈতবা মীগুম্বনি।

**৭৩. অকোকপদা কোরেক মাঙবা**
– মথোঙ মরম খঙদনা মাঙখিবা।
–মাঙফম শুকথোক থোক্তনা মাঙবা পোৎ।

**৭৪. অকোকশা ওইবা**
–মী চৈবদা শীজিন্নবা ফজদবা ৱাঙাং।

**৭৫. অকেম্পাত্তা হিংবা পান্নুনু নীংঙমদ্রবা পুন্সি ওইখিনি।**
–মতৌ মালহনবনা তুংদা চৎনবা য়ারক্তবা। লেমজা চাদুনা হিনবা তুংদা চৎনবা য়ারক্তরা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কী উনবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ মৈনা ৱায় তাংনা শম**
**অইবাঃ ৱাথোই খুমন**
**ফোঙবাঃ শাথৌলুপ**
**মমলঃ লুপা ১৫০।–**

ৱাংথোই খুমনগী অনীশুবা শৈরেং লাইরিক 'মৈনা ৱায় তাংনা শম' হায়বা লাইরিকসি অহানবা ওইনা ২১৫দা শাথৌলুপ্না য়াইবিরেন কম্যুনিকেসন, উরিপোক খ্বাই বক্ষপুর, ইম্ফালদা নম্লগা পুথোকপনি। লাইরিক কপি অমগী সমলনা মমলনা মখূম অপাবদনা লুপা ১৫০।– অদুগা মখূম অথাবনা মমল নুপা চনি পীরি। শৈরেং ৩৮ য়াওবা লাইরিক অসি বাংলা অমদি মীতৈ ময়েক অনীমক য়াওবা লামায় ১০৪ পানবা লাইরি অসিগী মখূম অসি বিন মঙাঙনা য়েকপনি। লাইরিক অসিগী মিংথোল পুরিবা শৈরেং অসিমত্তং নত্তনা অতৈদি পংসাং শাংদবা শৈরেং ঙাক্তনি। কবিনা শৈরেং হায়বসি মহাক্কী অনীঙবা নুপীনি হায়জৈ, মশক অদুক ফজদ্রবসু য়েংনিংবদি অদুম ফাওই। করিগুম্বদসু শৈরেং হায়বসি হ্যুমেন পর্সনিফাইদ তৌদুনা নুংঙাইনদবা অমা লৈনখিবগুম কৌন ঙাংনদবা লৈ। কবিনা মতমগী অহোংবগী খোঙচৎনা মীওইবগী পুন্সিদা শ্যন্নরিবা খেন্নবা শক্লোনশিংগী মমি অমা মহাক্কী শৈরেংশিংদা শক্তম লাক্লবা হৌৎনরি। কবিনা শৈরেং লাইরিকসিগী ৱাহীদোক 'মতম পুন্সি মীওইবা' হায়বসিদা ইরি "অঙকপনি মতম হায়বসিসু। মহাক্না পুরক্লি অহোংবশিং। পামগনি পাম্লোই খঙদনা তৌরক্লি খেন্নবগী খুদোলশিং। মতম মগী তুরিনা শঙজিল্লক্লি পুন্সিগী মায়থোঙশিংদা তোঙান তোঙানবা মচুশিং। ঙসিদি মচুশিং অসি হৈনদবা ফাওরক্লি। অদুবু করিদি তৌরুনি। য়াবা তাবনি য়ানিংদ্রবসু। নৎত্রগা হৈনদবা অসিনা কৱম ওইহল্লগা হৈনবগী লম্বী অমা থিবা তাবনি। মীওইবা হায়বসি কয়াদা য়াম্না হোংলবনো? কয়া য়াম্না চাওখৎলবনো? অদুবু অৱাবা লাংতক্লবগী লাঙ্গোইসিদগীদি নাম্হোকপা ঙমদ্রি। মরমদি শীংবা হেনগৎলক্লগা খোইয়ুম লাইশিং অদুদগীদি অসুম অসুম লাপথোরকপগুম তৌরি। মশাগী হৌরকফম কাউনরক্লি।" মমা তারি-"ঐখোয়বু শেম্বীরকপা মপুবু থাজবা ঙমদ্রবদি ঐখোয় মশেলদি কমদৌনা থাজনগদৌরি।" লাইরিক্কী মিংথোল পুরিবা শৈরেং অসিদা তাইবঙ শেম্বা মপু মহাক্কী চাদা-নাউদা ওইনা তাইবঙ মীওইবনা তাইবঙপানসিদা মৈনা ৱায় তাংনা শম মখা চথরকপনি। পাম্বীগী মরূ অমদসু, হৈরাংদসু, লৈরাংদসু ঈশিংদসু, নুংশিত্তসু, অহাংবদসু তাইবঙ শেম্বা মপু মহাক্কী মগুন লেঙদনা লৈরি হায়দুনা ঈশ্বরগী মফমদা চঙজরি। মতমগী অহোংবগী ঈচেলদা করিনো অমা খঙবা ঙমদনা লৈরি। মসি মীওইবনা খঙননবা হোৎনরূরবসু খঙবা, শোকউবা ইঙম ঙমদ্রি। অসিগুম্বা খঙবা উবা ঙমদ্রবা লংলা অসিনা মীওইবগী পুন্সিবু মফম মতম হায়বসি লংজা ওইনা ফাজিন্দুনা থম্মী। মতমগী চাইগোয়নুংদা শাৎলিবা লৈরাংশিংবু মথৌ মশক খঙবশিংনা মদুবু হেকখিন্নি মায়পাকপৈ ফিরাল থেৎননবা অদুগা মথৌ মশক খঙদবা মথৌনা লৈতবশিংনা মতমগী ঈচেল মনুংদা চোংথদুনা লেমলৈ ঙাবু ফারি অদুগা করিগুম্বা মতমদনা ঈপাক্কী মথক্তা সনাখোঙনাং পাম্বী ওইনা থিনগৎলকই মশা খুদিংদা নুংঙাই-য়াইফবা, নীংবা থুংবা অমদি মায়পাকপনা পূময়োম য়োমদুনা। মতম হায়বসি অচান-মীরান নাইদবনি, মতমগী মমল খঙবশিংনা মতম্বু মমল খঙনা শীজিন্নে। অমুকসু কবিনা কল্পনা তৌই-মতমগী খোঙচৎ মনুংসিদা মীওইবনা শাগৎলিবা ৱাখলগী মঙলানশিংসি বোনশাই পাম্বীগা মান্নে হায়না মেটাফর শীজিন্নদুনা ফোঙদোকই। অদুগা কবি মশাগী ওইনদি ৱাখলগী মঙলানদি মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদা লৈদুনা চাখিবা শঙ্গোম মিথাইগুম্না হাউবা মহাওনি অদুবু মদু অসুম অসুম তুমশিল্লক্লিবা। অঙাং ওইরিঙৈগী মতম দদি কবিনা মমান্নবশিংনা কেকুলোৎপী শান্নবদা মমান্নবশিংনা মহাকপু থিবা ফংদবদা মহাক্না হরাওখি অদুবু চাউরক্লবা মতম সিদদি পুন্সিগী পাউখোঙ ফোঙবা ঙমদবগী নুংঙাইতবদু পেরেলেল পীদুনা উৎলি। কবিনা তাইবঙ পুন্সিবু নুংশিজৈ, তাইবঙ মীওইবগী মরী, মহৌশাগী চীং পাৎ তূরেল, নুংশিজবা, পামজবা, চান্নজরিবা ময়ামসিগা থাদোক্তুনা খক চৎনিংদবা ফোঙদোকই। অদুবু মফমসিবু থাদোক্তুনা চত্তবদি য়ারোই খল্লুবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকই। কবিনা মহাক্কী শৈরেং কয়ামরুম 'ঐ' অমদি 'পুন্সি' হায়রিবা অনীসি মী মরী থিদুনা পুখোক্লবা হোৎনৈ। ৱাংথোই খুমনগী শৈরেং লাইরিকসি পাম্বা য়াবা অমদি ওইরে।

**আর জে মীতৈ**

## শৈরেং

### মেরিকোমদা শৈথাবা

*থাংজম বেদমনী*

*চীংনা কোইনা পনশাৎপা*
*হাওনা কোইনা পনঙাকপা*
*চীংমী নিঙোল মেরিকোম*
*কংলৈ বীন্দুদা সনা তম্ফা*
*থিনবা মপোকনি। হে মেরিকোম*
*সনা তাকামা মঙা লৌরবা তুংদা*
*শেঞ্জেন তাকামা ফংলিবী হে মেরিকোম*
*নংগী প্রামোস দি এস পীদী*
*রাজ সভাদা প্রামোম হাগৎখিবী*
*হে মেরিকোম "ডাক্তর তাইটল ফংখিবী*
*হে মেরিকোম রাজ্য সভাগী মেম্বর*
*এমশোদর ওইখিবা হে মেরিকোম*
*নংগী লাইবক কংলৈপাক ইমাগী*
*মফমদা খরা তাংনা থোকই।*
*মীয়াম মতৌ তমনিঙাই ওইবা*
*হে মেরিকোম। মীথোই মীহেনবা*
*কয়াগী মরক্তগী নংসু*
*শিখানবা য়ারম্বা মীশক অমনি।*
*ঈশ্বর থারকপা লাইবক্তা*
*থম্বাল শাৎলে হাইনদুনা।*
*নংগী মতৌদি মীয়াম্না*
*খরা ৱানা থোকই।*
*কংলৈ ইমা লমদমদা।*
*অশংবা ফিজোল লৈতেংবা।*
*ৱাৎতা মচু মহৈরোংনা য়ান্দুনা।*
*ইমা শেবা ময়েক চুম্না জয় ওইরিবা*
*হে মেরিকোম। ফংলকখিগনি*
*নংগী হোৎনজমন মহৈ হে মেরিকোম।*
*শৈখাদবু ৱাৎগনি। নংগী মতিক*
*ময়াই অমর ওইরকখিগনি। হে মেরিকোম*
*নাপুন্সি মীথোই,মীহেনবা ওইবা নংগী*
*মতৌ তম্বনা ৱাজমন ওইখিগনি।*
*হোৎনমখৈ লৈজবদা মাইপাক্কী*
*শাখি মমাঙদা তাবদুনা*
*লৈবা পোৎশিংদুচ হে মেরিকোম।*
*হিংবা মরেম মহাও থোকল্লবা হে মেরিকোম*
*করি অৱাৎপা লৈরি। মথং মশান্না*
*শমথরকই বোক্সিংগী কুৎ মহৈদো।*
*ইমী থিন্না হরাওজগে নংগী*
*জয়গী প্রতিঙাদো। কংলৈ*
*ইমাগী মচা ময়াম লাঙ্বা ফংদ্রবসু।*
*নংগী কংলৈ জাতি হায়রি সনাগী মথক্তা*
*তম্ফা থিবা মপোক ওইরিবসিনি॥*

### তাইবঙগী অঙকপা

*আই এস থৌনা*

*উচিদৈ ওনখিবা কৈ অদুনা*
*শেম্বীবা মপুবু কাউথোক্তুনা*
*মুণিবু চাগে থৌরাংলুই*
*অদুগা,*
*সরকার চৈরম্বা*
*ছাত্রগী লুচিংবা অদুসু*
*মন্ত্রি ওইখ্রবা মতুংদা*
*ছাত্রবু চৈবা হৌরকই॥*

### হিংহনবা

*য়াইমা হাওবম*

*য়াঙনা চেন্নিংই খোঙনেৎফম পিদে*
*ৱাংন কানিংই কৈরাকসু লৈতে*
*পেন্না কপ্পিংই কংনা নোকহল্লি*
*হৌনা লাওনিংই চরমদা মেৎলকই*
*হাৎপীরো য়াদে হিংহল্লি শিদ্রিফাও।*

### ঐসু লোইখি

*য়াম্বেম হোমেন্দ্র*

*হাৎলি ঐনা ঐগী*
*ইপা,ইমা, নুপী, অঙাং,*
*অমত্ত খাক্তনা লোইনমক*
*মরুপ খাক্তে শাগৈ নাতৈ য়েংদে*
*হাৎলি ঐনা ঐগী হকচাংবুসু*
*অদগা...*
*ঐসু লোইখি*
*লোইখি ঐসু॥*

### অমখক্তনি

*থোংঙাম ধনজিৎ*

*থরাক-থরাক য়াল্লিবা পুন্সিসিদা*
*কন্ন-কন্না চিংই শম্নদবশিংদুনা,*
*লুম্ল-লুম্লবা পোৎলুম কয়াসু য়াম্ভরকই*
*মথং-মথং*
*ঐনা শোঞ্জে*
*পূন্নমকসে অমত্তনি॥*

### ৱাহং

*নন্দ হৈক্রুজম্বা*

*মতম অমদা ঐ*
*পৃথিবীসে লৈগে খল্লম্মী,*
*হায়বদি*
*খ্বাইদগী চাওবা হুরানবা অমা ওইরম্মী।*
*হৌজিক্তি মালা চক্তুনা লৈরে*
*প্রমান ওইবা য়াবা*
*পূন্নমক উৎ ওলহনখ্রগা*
*শাক্ষি ওইবীগদবা পূন্নমকসু*
*শিখ্রবা তুংসিদা*
*নহাক করি তৌজবা ঙমগনি॥*

### মপোকসিদা

*লোকেন্দ্রো সোরামচা*

*মীখা পোন্দনা পোক্লকপনি*
*ননিং তৌ পুন্সিসিদা*
*অদুবু তৌবদি,*
*নশক নমিংতদি তাক্লম্মু*
*পোষ্ট মোটেমগী তেবলদা॥*

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

**মে১, ২০১৬, নোংমাইজিং, লাইরিক ফোঙবা**

রাইটর্স য়ুনিয়ন, মণিপুর, মসজিদ রোদ, ইম্ফালনা শীন্দুনা এম এম অহমদনা ইবা "পাঙল শক্লাইবশিং" (অহানবা শরুক) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা মে ১, ২০১৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ খরা হেল্লকপা মতমদা এগ্রিকলচর ডিপার্টমেন্টকী ট্রেনিং হোল, সেকেন্দ ফ্লোর, শঞ্জেম্থোং, ইম্ফালদা হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙদোকখি।

তৌরম অদুগী তরাম্না ওকপা ৱাহৈগী মথংদা অহল ওইরবা পাঙল নুপা অমনা পাঙলগী খুল্লং ঈশৈ মতেক অমা খুদোল তমখি। শৈশক অদুনা মফমদুদা তিল্লিবা পূন্নমকপু ঙাইহাক্তি শুমদুনা থম্বীখি। ভাবোক ওইরিবা ডা. লৈশাংথেম তোন্দোননা শৈশক্তুদা পেল্লদুনা পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা লুপা ১১০ খুদোল ওইনা শৈশকপদা তমখি।

মথংদা অথোইবা লেঙবিরকপা ওইনা লেঙশিল্লিবা বী.এম. মাইস্নাম্বা, সাহিত্য অকাদেমি এৱার্ডিনা লাইরিক অদু ফোঙদোক্লে হায়না মীয়ামদা লাউথোকখি। অখন্নবা লেঙবিরকপা ওইরিবা ডা. রহৈজুদ্দিন শৈখ, ডাইরেক্টর, ডি ডি য়ু, কৌশল কেন্দ্র, ডি এম কমিউনিতি কলেজ ইম্ফালনা মহাক্কী ৱারোল পীরবা মতুংদা খোঙজোম লান্দা শরুক য়াখিবা পাঙল কয়াবু শৈথারদুনা ইবা শৈরেং অমসু মীয়ামদা লাম্হোকখি। বী এম মাইস্নাম্বনা ঙসিগী লাইরিক অসি অহানবা শরুক হায়বনিনা মথংগী শরুক্তা শোয়দনা ৱাংহৌরিবশিং হাপচিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা থম্বগা লোয়ননা মীওই কয়াগী মিংশিং মথংদা লৌখৎনবা সজেসন তৌরমখি। থৌরমগী থৌরম মপু ওইনা লেঙশিনখিবা নজির উদ্দিন শাহা, থবক্তগী পোখারবা হান্নগী এস ডি সিনা ঙসিগী লাইরিক অসি থাজদনা য়াম্না কান্নরবা লাইরিক অমা শোয়দনা ওইরগনি হায়না অইববু পূক্লিং থৌগৎলদুনা চীফ গেষ্টনা হায়খিবগুম মথংদা হেন্না চাওবা ভোলুম মথং মথং পুথোরকপা ঙম্বা ওইহন্নীংবগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

### অতোপ্পা পাউ অমনা

মণিপুর সাহিত্য সমিতি থৌবালনা শীন্দুনা পীগদবা সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা শেলগী মনা ফংগদবা অইবা অইবী অমসুং লাইরিক্কী মিং লাউথোকখ্রে।

লূপ অসিগী সেক্রেটরী ডা. নিঙোম্বম শরতচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি- নিঙোম্বম সৈত্যবতিনা কৎপা নিঙোম্বম প্রমিাদিনি নীংশিং সাহিত্য মনা ২০১৫, ৱাইখোমচা ইবোতোম্বী মঙাং, থাংমৈবন্দ ইম্ফালদা লৈবা অসিগী নোভেল বামোল ইবেম্মা অইংবী হায়বা লাইরিক্তা, নাওশেকপম ওংবী লক্ষিলৈমনা কৎপা অকোইজম চাউতোন রাজকুমারী মুক্তাস্না মণিপুরী সাহিত্য মনা ২০১৫ না নিঙোম্বম সনাতোম্বী থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবীগী ৱারী মচাগী লাইরিক "উকুগী য়ুম্না ঙাইহৌরি" দা অমসুং ডা. অকোইজম লোকেন্দ্রো সিংহনা কৎপা অকোইজম ওজা বিজয় নীংশিং মনা ২০১৫ না ককচিংদগী ক্ষেত্রি বীরগী নোভেল নিংথিগী নিংথেমদা পীরগনি। মনাশিং অসি চৎলিবা থা অসিগী ২২ নোংমাইজিং নুমিত্তা খাঙবোক্তা লৈবা এম এম আর সি য়ুনিট পার্কতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লাম্হোক্কনি। মনাশিং অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০-১০ সাইতেসন অমসুং লেঙয়ানফি অমমম য়াওরি হায়রি।

**রাজেন খুমুকচম**